## ৱেষ্ট বেঙ্গল লেন্দ মর্দর কেস ঃ মীওই ১১ শিবগী দন্দি পীখ্রে

*কৃষ্ণনাগর, ফেব্রুৱারি ৪ঃ*
অপরনা বাগ মীহাৎকা মরী লৈননা লৌখৎখিবা কেসতা মরাল লৈবনি হায়বা ত্রিনামুল কংগ্রেস (টি এম সি)গী লুচিংবা অমা য়াওনা মীওই ১১ কৃষ্ণনাগর দিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা ঙসি শিবগী দন্দি পীখ্রে।

অপরনা কৌবা য়ুমগী থবক তৌবা মীওই অমা মীওই খুৎপু অমনা ইং ২০১৪গী নবেম্বর ১৩দা হাৎলমখি।

লৈখিদ্রবী নুপী অদু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নোয়দা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ঘুঘুর গাচিদা লৈবা মীওইনি। নুমিৎ অদুদা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবা লঙ্কেশ্বর ঘোস ঘুঘুর কাচিদা গুন্দা খুৎপু অমগা লোয়ননা চৎখি।

অপরনানা মখোয়গী মায়োক্তা লেপখিবগীদমক নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কৃষ্ণনাগর দিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা য়ুমশকৈ নুমিৎতা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই ১১ শিবগী দন্দি পীরে হায়না লাউথোকখিবনি।

## ফিট ৩৩ শাংবা হ্বাল উরিষাগী গঞ্জাম সমুদ্র খোঙবালদা শিনা ফংলে

*বেরহাম্পুর, ফেব্রুৱারি ৪ঃ*
বেরহাম্পুরদগী কিলোমিটর ৫০ রোম চৎলগা লৈবা গঞ্জাম সমুদ্র খোঙবালগী পোদামপেটা বিচতা ফিট ৩৩ শাংবা স্পাম হ্বাল অশিবা অমা সমুদ্রগী ঈথক্না কং ফালদা পুখৎলকখ্রে।

অচৌবা হ্বাল অদু শিবগী মরম চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ঙা মখল অদু নুমিৎ নিনিগী মমাঙদা শিরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ। অদুম ওইমক সমুদ্রগী ঈথকনা ঙরাং সমুদ্র খোঙবাল অদুদা পুশিল্লকখিবনি হায়না বেরহাম্পুর দিভিজিনেল ফোরেষ্ট ওফিসার এ কে বেহেরানা ফোঙদোরক্লি।

কে সি সাহু কৌবা বেরহাম্পুর য়ুনিভর্সিটিগী মেরিন সাইন্সকী প্রোফেসরনা ফোঙদোরকখিবদা অচৌবা ঙা মখল অদু ঙাগী লাংদা থুরুরবা মতুং শিবা ওইগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লমদম অদুদা লৈবা মীওইশিংনা অচৌবা ঙা মখল অদু শিবগী পাউ মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখ্রে। স্পাম হ্বাল হায়বা মখল অদু মালেমগী ওইনা ময়া পানবা খ্বাইদগী চাওবা ঙা মখলনি।

হায়রিবা ঙা মখল অদুনা ঈশিং মনুংদা শ্বর হোন্দনা মিনিট ৯০ লৈবা ঙম্মী। অদুগা সমুদ্রা ইমায়দগী মিটর ২,২৫০ লুবা মফম ফাওবা লুপথবা ঙম্মী হায়রি।

## বন্দিপোরাদা টেরোরিষ্টশিংগা খুৎ থোক্লখ্রে

*শ্রীনাগর, ফেব্রুৱারি ৪ঃ*
ঙসি অয়ুক জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী বন্দিপোরা দিষ্ট্রিক্টতা টেরোরিষ্ট অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সকা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখ্রে।

থৌদোক অদু সিক্যুরিটি ফোর্সনা খুসিমোহলা হায়না খঙনবা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ৩৫ রোম চৎলগা লৈবা মফম অদুদা কোয়শিন দুনা থি-হুম্বগী থবক চথবদা থোকখিবনি।

ইন্টিলিজেন্সকী পাউ মতুং ইন্না লমদম অদুদা মিলিটেন্টশিং লৈরে হায়বা খঙখি। পাউগী লিখুল অসিনা ফোঙদোরকপদা পাকিস্তানদগী চংশিল্লকপনি থাজবা লাস্কর-ই-তোইবাগী মিলিটেন্টশিং মফম অদুদা লৈরে হায়বা পাউ ফংখি।

খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু হৌজিকসু মখা তানা চথরি। অদুম ওইনমক নাকল অনিগী মরক্তা অশোক অপন নংবগী পাউ ফংবা ঙমদ্রি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অসিগী মতুং ইন্না সিক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদা অশোক-অপন নংবগী পাউ লৈতে।

পাকিস্তানদগী মরত ওইনা লাস্কর-ই-তোইবাগী মিলিটেন্টশিং লৈবাক অসিদা লানশিল্লকপগী ৱাথোক কয়া থেংনদুনা লৈরি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফিভম অদু চপ চানা থেংননবা শেম শারি হায়রি।

## ফেব্রুৱারি ২৩দগী বজেট মীফম হৌরগনি, মাংওইনন কেবিনেট ফম হোংদোক হোংজিন তৌরবা য়াই



ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা বজেট মীফমগীদমক পাঙথোকখিবা মীফমদা শরুক য়াবা লাকখিবা

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৪ঃ*
পার্লিয়ামেন্টকী বজেট মীফম চৎলিবা থা অসিগী ২৩দগী হৌরগনি। অদুগা থা অসিগী ২৯দা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা য়ুনিয়ন বজেট পুথোক্কনি।

মীফম অদু থা অমা চুপ্পা চথবগা লোয়ননা মে ১৩দা লোইশিনগনি। মীফম অদুগী মাংওইননা নরেন্দ্র মোদিগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগী ফম হোংদোক হোংজিন তৌরবা য়াই হায়রি।

কেবিনেট কম্মিটি ওন পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়র্সকী মীফম হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা অথোইবা অতিথি ওইদুনা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখি। মীফম অদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট মঙাদা চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল থাগী ময়াই চল্লকপদা পাঙথোক্কদবা এসেমব্লী মীখলগী মতাংদসু খন্নখি।

মীফম অদু এপ্রিল ২৫দা অমুক হন্না ফমগনি। হায়রিবা মতম অদু ইলেক্সন কম্মিসননা অসাম, টমিলনাদু, কেরেলা, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং পুদুচেরিগী এসেমব্লী মীফম পাঙথোক্ক্রিঙৈ নুমিৎ ৪০নিগী মমাঙদা চথগদবনি হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা চথরকপা য়াবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু খন্নখি হায়রি।

কংগ্রেস পার্টিগী রাজ্য সভাদা ওপোজিসন লুচিংবা ওইরিবা গুলামনবি অজাদনা হায়, পাঙথোক্কদবা মীফমশিং হন্থহনবা নৎত্রগা মতম শুহন্দবা পামদে।

সরকারনা ওপোজিসন পার্টিগী দিমান্দশিং লৌখৎকদবনি। লেপখিবা মতম চপ চানা থবক পাঙথোক্কদবনি। ইলেক্সন কম্মিটিনা নিয়মগী মতুং ইন্না ভোট থাদনবগী মতম ষ্টেট মঙাগী ওইনা চপ চানা লাউথোক্কদবনি হায়না সি পি এমগী লুচিংবা সিতারাম য়েচুরিনা ফোঙদোকখি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা বজেট মীফম অসি সরকারগী ওইনদি অরুবা তান্ফম অমনি। সরকার অসিনা মীফম অদুদা গুদস এন্দ সার্ভিস টেক্স বিল পাস তৌননবা অকনবা মিৎয়েং চংগদৌরি।

সরকারনা মমাঙ চহীদা পাস তৌবা ঙমখিদ্রবা বিল অদু চৎলিবা চহী অসিদদি পাস তৌহন্নবা হোৎনরক্কনি। বজেট মীফম ফেব্রুৱারি ২৩দা হৌবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জিনা হৌদোকপগী ৱারোল পীগনি। মীফম অদুদা রেল বজেটসু পুথোক্কদৌরি হায়রি।

## সিরিয়াগী লাল মায়োক্লরিবা মফমশিংদা দোল্লর মিল্লিয়ন কয়া মতেং পাংনিংবগী ৱাফম ফোঙদোক্লরক্লি

*সানা, ফেব্রুৱারি ৪ঃ*
সিরিয়াদা চহী ৫ চুপ্পা লাল থোকপনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অৱাবা মায়োক্লরি। ওইরিবা ফিভম অদুগী মতাংদা লন্দনদা পাঙথোকখিবা দোন্নর কনফরেন্সতা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়া দোল্লর মিল্লিয়ন কয়া মতেং পাংনিংবগী ৱাফম ফোঙদোক্লরকখি।

য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর দেবিদ কেমেরোননা মীফম অদুদা ফোঙদোকখিবদা লমদম অদুদা মীওইবা অমনা হিংবদা চংবা মচাকশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি হায়খি।

মীফম অদু জিনেভাদা পাঙথোক্কদবা লৈবাক অদুগী সরকার অমসুং ওপোজিসনগী মীফম ককথৎখ্রবা মতুংদা পাঙথোকখিবনি।

সিরিয়া সরকারদা রসিয়ানা মতেং পাংদুনা এলেপোগী অৱাং থংবা শরুকশিংদা এয়ারষ্ট্রাইক লেপ্তনা চথরি। চৈরকসিদা টর্কিগী প্রাইম মিনিষ্টর অহমেদ দাভুতোগ্লুনা হায়, লৈবাক অদুদা শিরিয়াদগী মীওই লিশিং ৭০ রোম চেনশিল্লকখ্রে।

মদুতা নত্তনা তোঙান-তোঙানবা য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদগী লাঞ্জেনরকপা কয়াসু লৈ হায়খি। ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৬০গী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

লুচিংবশিং অদুনা মীওইবা অমগী হককীদমক সিরিয়াদা থোক্লিবা ফিভম অদুদা ৱানা হিংলিবা মীওই মিল্লিয়ন ১৩.৫ অমসুং লাঞ্জেনরিবা মীওই মিল্লিয়ন ৪.৬কীদমক মতেং পাংনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।



লালগী চৈথেং ফংলবা সিরিয়াদা ময়ুম থাদোক্তুনা চেল্লক্লবশিংগী লৈফমদা অঙাং অমনা চনবা চিঙ্গাক শেম শানবা হোৎনবা

দেবিদ কেমেরোন অমসুং য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল বানকিমুননা সিরিয়াদা অঙাং কয়া লাঞ্জেনহন্বা অমসুং মহে মশিং তম্বা ফংদ্রবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

সিরিয়াদা মতেং পীবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা জর্মন, ফ্রান্স, য়ু কে, য়ু এস, অষ্ট্রেলিয়া, বেলজিয়ম, ইটালি, পোলেন্দ, জপান, য়ু এ ই, স্বিটজরলেন্দ, ইষ্টোনিয়া, দেমার্ক অমসুং ফিনলেন্দ য়াওখি।

য়ুরোপিয়ান কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট দোনাল টস্কনা হায়, য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা চহী অসিগী ওইনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৩ মতেং পাংবা ঙমগনি।

লুচিংবা অদুনা হায়, য়ুরোপিয়ন ইনভেষ্টমেন্ট বেঙ্কনা অদুগুম্বা শেনফমশিং অদু ওইরিবা ফিভম অদু য়েংলগা পীগদবনি। টর্কিনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৯ মতেং পাংবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি। মদুতা নৎত্তনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়ানসু দোল্লর বিল্লিয়ন কয়া মতেং পাংনিংবগী ৱাফম ফোঙদোক্লখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা টর্কিদগী দেলিগেটশিং খ্বাইদগী মশিং য়াম্না শরুক য়াখি। হায়রিবা লমদম অদুদা রিফ্যুজি মিল্লিয়ন ২.৫ চংশিল্লক্লিবনি। মদুগী মতুংদা জোর্দান অমসুং লেবানন্দনা হায়, সিরিয়াদগী থোমজিল্লক্লিবা মীয়ামশিংদা অশানবা থৌশিল অমগা লোয়ননা মতেং পাংবগী থবক পায়খৎপা দরকার ওই হায়রি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লন্দনদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মালেমগী হ্যুমেনেটেরিয়ন এন্দ হ্যুমেন রাইটর্স গ্রুপ ৯০ শরুক য়াখি। সিরিয়াদগী য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদা চেনশিল্লকখিবা মীওইশিংগী মতাংদসু মীফম অদুনা কুপ্না খন্নখি।

মীফম অদু হৌদ্রিঙৈ পুং ১গী মমাঙদা সিরিয়া লৈঙাক অমসুং ওপোজিসনগী মরক্তা পাঙথোক্কদবা মীফম সস্পেন্দ তৌখি। রিভেলশিংনা এলেপোদা রসিয়ানা লেপ্তনবা বোম থাদরকখিবদা অশাওবা কয়া ফোঙদোরক্লি।

য়ু এন ব্রোকরনা হায়, নুমিৎ নিনিগী মমাঙদা ৱারি শান্নবা য়াবগী ফিভম লাক্কনি থাজখি। অদুম ওইনমক য়ু এননা ময়াইদা লেপ্তুনা পাঙথোক্কদবা মীফম অদু চথবা ঙমখিদে হায়রি।

য়ু এনগী লুচিংবা বানকিমুননা হায়, সিরিয়াদা লেপ্তনা বোম থাদরকপা অমসুং মীওইবগী হককী লমদা য়েংশিনবা ৱাৎপনা মরম ওইরগা মীফম অদু পাঙথোকপা ঙমখিদে হায়খি।

## স্ম্রিতি ইরানি জেদ কেটেগোরি সিক্যুরিটি ফংলবা য়াই



য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টর স্ম্রিতি ইরানি (ময়াই)

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৪ঃ*
হায়দ্রবাদ য়ুনিভর্সিটিদা তম্বা দলিট মহৈরোই অমা মমাঙ থাদা মথন্তা শিজখিবগী মতুংদা খোঙজং কয়া চংশিল্লকখি। ফিভম অদু য়েংলগা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর স্ম্রিতি ইরানিদা পীবা সিক্যুরিটি হেন্না ফগৎহন্নবা থবক পায়খৎখ্রে।

কেবিনেট মিনিষ্টর ওইরিবী স্ম্রিতি ইরানি হৌজিক ৱাই কেটেগোরি সিক্যুরিটি পীরিবনি। সরকারনা লুচিংবী অদুগী সিক্যুরিটিগী ফিভম হেন্না ফগৎহনদনা মীওই ২০না ঙাক শেলহন্নবা অমদি জেদ সিক্যুরিটি পীননবা থবক পায়খৎলি হায়রি।

মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা হিন্দু পাউ চেদা ফোঙদোকখিবদা মহৈরোই কয়ানা দলিট মহৈরোই অমা লৈখিদবগী মতাংদা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখিবা অদু য়েংলগা লুচিংবী অদুদা পীরিবা সিক্যুরিটি অদু চুন্নবা ওইদ্রে।

মদুনা মরম ওইরগা অরানবা তৌবা কাংবুশিংনা খুদোংচাবা লৌরক্তুনা লুচিংবী অদুদা খুদোং চাদবা থোকহল্লকপা য়াই হায়রি।

হৌজিক হৌজিকমক কেবিনেট মিনিষ্টর অমসুং ষ্টেট মিনিষ্টর কয়া জেদ সিক্যুরিটি নৎত্রগা জেদ প্লস সিক্যুরিটিগী খুদোংচাবা ফংলি।

জেদ প্লস সিক্যুরিটি ফংখিবা মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি, রোদ ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর নিতিন গটকারি অমসুং ষ্টেট হোম মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু অমসুং জিতেন্দ্র সিংহ য়াওরি।

মদুতা নত্তনা নেসনেল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবল, আর এস এসকী লুচিংবা মোহন বগৱদ অমসুং বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত সাহ য়াওরি।

কিহল্লকপা লৈবশিং য়েংলগা ভি আই পি সিক্যুরিটিশিং পীরি। রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্টরদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা দরকার ওই হায়রি। মদুগীদমক লুচিংবী অদুদা জেদ সিক্যুরিটি পীননবা খন্নখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমগী মতুং ইন্না ঐচ আর দি মিনিষ্টরগী সাস্ত্রি ভাবনদা লৈবা ওফিস মমাঙদা খোঙজং কয়া চংশিল্লকখিবা লৈরি। ভি আই পি সিক্যুরিটিনা হায়, রাজনিতি ৱালাশিংদা ফিভম অসি ইজ্জৎকী ৱাফম অমা ওইরগনি।

মখোয়গী ওফিসশিংদা মীওই কয়া নুমিৎ খুদিংগী লাক্লি। ঙাক শেনবগী মিৎয়েংদা নৎত্রগা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা অচৌবা শিংনবা মায়োক্লরি। থা ৫গী মমাঙদা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংদা হোম মিনিষ্টরনা মখোয়গী পুন্সিদা শিংনরকপা য়াবগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈখি। মদু ইন্টিলিজেন্সনা ফংখিবা পাউগী মতুং ইন্ননি হায়রি।

## আই এসতগী ঙাকথোক্লবা বাগদাদতা লানবন শেমগৎখ্রে

*বাগদাদ, ফেব্রুৱারি ৪ঃ*
ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টনি হায়বশিংনা এটেক চথরকপা ঙাকথোক্কবগীদমক ইরাক সিক্যুরিটি ফোর্সনা লৈবাক অদুগী কোনুং বাগদাদকী অকোয়বা লানবন শেমগৎপা হৌখ্রে।

ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অসিগী মতুং ইন্না সহর অদুগী অকোয়বা কিলোমিটর ৩০০ শাংবা মফমশিংদা লানবন অদু শেমগৎনবা পায়খৎপনি হায়রি।

আই এসনা ইরাককী অৱাং অমসুং নোংচুপ থংবা পাক চাওরবা স্বাথ লমদম খুদুম চন্দুনা লৈরি। আই এসনা সহর অদুদা তৎতনা এটেক চথরকখি।

বাগদাদকী সোপিং সেন্টর অমদা এটেক চথরক্তুনা মমাঙ থাদা মীওই ১৮ হাৎখিবসু লৈখ্রে। বাগদাদ মিলিটরিগী ৱাঙাংলোই অব্দুল অমির অল সম্মরিনা হায়, বাগদাদকী অকোয়বদা লানবন শেমগৎপা অদুনা সহর অদুদা মিলিটেন্ট অমসুং হুরানপোৎ লল্লোনবশিং চংশিল্লক্তুনা বোম পোকখায়হনবা লাকশিনবা ঙমগনি হায়খি।

## নোর্থ কোরিয়ানা শান্না কাপ্পা য়াবা মিসাইল চাংয়েং তৌননবা শেম শারি

*সিওল, ফেব্রুৱারি ৪ঃ*
নোর্থ কোরিয়ানা শান্না কাপ্পা য়াবা মিসাইল চাংয়েং তৌননবা শেম শারি হায়না সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রি অমসুং জপানিজ মেদিয়ানা ফোঙদোরক্লি।

চাংয়েং অদু নোর্থ কোরিয়াগী নোংচুপ থংবা সমুদ্র খোঙাবলগী লমদম পাঙথোক্লবা হোৎনরি। মমাঙ চয়োলদা পিয়োংয়াংনা লাউথোকখিবদা চৎলিবা ফেব্রুৱারি থা অসি লৈবাক অসিনা সেটিলাইট কাপখৎনবা শেম শারি হায়খি।

ৱাফম অদু মালেমগী লৈবাক কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখিবনি। নোর্থ কোরিয়ানা চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি ৬তা মরিশুবা ন্যুক্লিয়র বোম টেষ্ট তৌখিবা লৈখ্রে।

মদুগী মতুংদা য়ু এননা নোর্থ কোরিয়াদা ন্যুক্লিয়র নৎত্রগা বেলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং তৌবা অথিংবা থমখিবনি। সাউথ কোরিয়াগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি য়োনহেপনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মিসাইল চাংয়েং অদু দোংচাং-লিদা পাঙথোকখিবনি হায়না চপ চানা ফোঙদোক্লি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই মুনসাং গেব্রুননা হায়, সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা লৈবাক অদুগী ঙমখৈ মনুংদা তাশিল্লকপা মিসাইলশিংগী অতেক অকায়শিং চপ চানা য়েংশিন্নবা থৌরাং তৌদুনা লৈ।



নোর্থ কোরিয়ানা শান্না কাপ্পা য়াবা মিসাইল চাংয়েং পাঙথোক্লবা শেম শাবগী শক্তম

নোর্থ কোরিয়াগী চাংয়েং অদুনা মরম ওইরগা সাউথ কোরিয়াগী এরোপ্লেন কয়া মায়কৈ থৈদোক্তুনা চৎহনখি হায়রি। জপানগী নেসনেল ৱোদ কাষ্টর এন ঐচ কেগী মমিং হোংদোক্তবা ওফিসিয়েল অমনা হায়, দোংচাং-লি অমসুং অতোপ্পা মফমদগী মোবালই লোঞ্চর শিজিন্নদুনা বেলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং তৌখিবগী রেকোর্দ লৈ। নাকল অমরোমদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট পার্ক গেব্রুন-হেনা হায়, য়োনহেপনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা নোর্থ কোরিয়ানা শান্না কাপ্পা য়াবা মিসাইলশিং চাংয়েং তৌখ্রে।

মদুনা সাউথ কোরিয়া অমসুং মালেমদা শিংনহল্লি হায়রি। লুচিংবী অদুনা হায়, নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এনগী অথিংবশিং অকিবা লৈত্রে। মখোয়না মখোয়গী ওইবা থৌশিল অদু পায়খৎলি হায়খি।

য়ু এসতা বেজ তৌবা নোর্থ কোরিয়ান এনলাইসিস ৱেব সাইট ৩৮ নোর্থনা ফোঙদোকখিবদা সেটিলাইটনা ফংখিবা ফোটোগী মতুং ইন্না নোর্থ কোরিয়ানা অশানবা মিসাইল চাংয়েং তৌননবা হোৎনখিবা অদু উবা ফংখি হায়রি।

নোর্থ কোরিয়া ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিনা পীখিবা রিপোর্টতা নোর্থ কোরিয়াগী সাসন পায়রিবা ৱার্কর পার্টিনা সেন্ট্রেল অমসুং আর্মি কম্মিটি মেম্বরশিংগা লোয়ননা মীফম পাঙথোক্তুনা মখা তানা হেন্না মপাঙ্গল কনবা থবক পায়খৎনবা খন্নখি হায়রি। তাংনা পাঙথোকপা মীফম অদু মে থাদা অমুক হন্না পাঙথোক্কনি হায়রি।

## নেসনেল হেরাল্ড কেসকী মতাংদা সোনিয়া গান্ধিনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৪ঃ*
নেসনেল হেরাল্ড কেসকী মতাংদা ট্রাইয়েল কোর্ট অমনা কৌরকখিবগী মতাংদা সোনিয়া গান্ধি অমসুং রাহুল গান্ধিনা দিল্লি হায়কোর্টতা ইং ২০১৫গী দিসেম্বর ৭তা তৌখিবা আপিল লৌখিদবগী মায়োক্তা ঙসি কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিনা ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে।

কেস অদুগী মতাংদা সোনিয়া অমসুং রাহুল গান্ধি কৌরকখিবা লৈখি। সোনিয়া গান্ধিনা থাঙ্গৎখিবা ৱাকৎ অদুদা প্রাইমা ফেসি লৌখৎতুনা অমদি ৱাহং হংদনা শিরক্লিবা মরালশিং অদু য়েংশিনফম থোকই।

গান্ধিনা মখা তানা হায়, কেস অদু মহাকপু মিংচৎ থিহন্নবা চথরকখিবা থৌশিল অমনি। লুচিংবী অদুনা হায়, হৌখিবা চহী কয়াদগী লৈবাক অসিগী রাজনিতিদা কখোক্তুনা লাকখি। মহাকপু কোর্টতা লাক্লবা কৌরকখিবগী মায়োক্তা ৱাকৎ অদু থাঙ্গৎখিবনি।

নেসনেল হেরাল্ড কেস অদু বি জে পিগী লুচিংবা সুব্রমনিয়ম স্বামীনা পাউ চে অদুগী থবক থৌরমশিংদা অরানবা কয়া চথখি হায়না থাঙ্গৎলকখিবনি।

য়ং ইন্দিয়ান লিমিটেদনা মতম অদুদা চল্লাইরম্বা নেসনেল হেরাল্ড পাউ-চে ঙসিদি ফোঙখিদ্রে। মদুগী মতাংদা নমথাক তৌবা কয়া লৈ হায়না সুব্রামনিয়ম স্বামীনা কেস অদু থাঙ্গৎলকখিবনি।

এদভোকেট দেভদত্ত কম্মটনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুদা হায়, হায়কোর্টকী য়াথং অদুদা চৎনবা য়াবা আইনশিং নিংজবা অমসুং ঙাক শেনবগী মরমদা অৱাৎপা কয়া লৈ। হায়কোর্টনা পামদবা মওংদা ভাবনা শাবা থবক পায়খৎলোইদবনি হায়খি।

কংগ্রেসনা চল্লাইবা এসোসিয়েটে জর্নেল লিমিটেদনা ফোঙবা নেসনেল হেরাল্ড লুপা ক্রোর ৯০.২৫ পীখিবদা শেঞ্জ-থুমজা কয়া তৌবা লৈখি। অদুগা পাউ-চে অদুগী পাব্লিসরদা লুপা লাক্ষ ৫০ পীখিবসু লৈখি হায়রি।

ওইরিবা ফিভম অদুগী মতাংদা সোনিয়া গান্ধিনা হায়, শিরিবা মরালশিং অদু চপ চানা প্রমান পীবা য়াবা মচাক অমত্তা লৈতে। হায়কোর্টনা উরিবা অদু সাশিন্নবা মওং অমনি। মদুনা লৈবাক অসিগী রাজনিতিদা অওনবা লাকহনগনি। মরম অদুনা চেকশিন্না হিরম অদুদা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা য়েংশিনবা দরকার ওই।

হায়কোর্টকী জষ্টিস সুনিল গোরনা হায়, হিরম অদুগী মতাংদা অহানবা ওইনা ক্রিমিনেল প্রোসিদিং লৌখৎপা তঙাইফদে। মদুগী মতুংদা কেস অদুগী চপ চাবা ফিভমশিং য়েংশিনগদবনি। কোট অসিনা ফংখিবদা এ জে এলনা কন্ট্রোল তৌবা থবক থৌরমশিং মপুং ফানা পায়খৎখিত্রা হায়বদু হংনিংঙাই ওইবা ৱাহং অমা লৈরি। কোর্ট অদুনা লম্মায় ২৭ পানবা ৱায়েল পীখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক সোনিয়া গান্ধিনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলি হায়রি।



সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎপা লাকখিবা কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধি অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধি

**সনা-সুদোকু- ৫০৪গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 7 | 3 | 6 | 8 | 2 | 5 | 4 | 9 |
| 2 | 4 | 9 | 1 | 5 | 7 | 3 | 6 | 8 |
| 5 | 6 | 8 | 9 | 3 | 4 | 7 | 1 | 2 |
| 3 | 8 | 7 | 5 | 2 | 1 | 6 | 9 | 4 |
| 4 | 9 | 1 | 8 | 6 | 3 | 2 | 7 | 5 |
| 6 | 5 | 2 | 7 | 4 | 9 | 1 | 8 | 3 |
| 7 | 3 | 5 | 4 | 1 | 8 | 9 | 2 | 6 |
| 8 | 1 | 6 | 2 | 9 | 5 | 4 | 3 | 7 |
| 9 | 2 | 4 | 3 | 7 | 6 | 8 | 5 | 1 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-505**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | | 3 | 5 | | | 2 | 9 |
| 3 | | 6 | 8 | | | | 1 | |
| | | | | 9 | | | 4 | |
| 9 | 6 | | | | 4 | | | 3 |
| 5 | | | | | 9 | | 7 | 1 |
| | 3 | | 5 | 2 | 1 | 9 | 8 | |
| | | 4 | | | 8 | | | |
| | 1 | | | | 5 | | | |
| 8 | | 9 | | 7 | | | | 5 |